# ইরৈবাক

ইম্ফাল, আগষ্ট ১৮, ২০১২, লাংবন নোংমা পানবা থাংজ    www.ireibak.com    লুপা ১.৬০


## যুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা মরি ফগৎনবা এম যুদা ইন্টর্নেস্নেল সেমিনার হৌখ্রে

*ইরৈবাক ন্যুজ সার্ভিস*

*ইম্ফাল, আগষ্ট ১৭ ঃ* ইন্দিয়া অমসুং ম্যানমারগী মরিদা মীৎয়েং থম্বা ইন্টরনেস্নেল কনফরেন্স ঙসিদগী মনিপুর য়ুনিভর্সিটিগী সেন্ট্রেল হোলদা হৌদোকখ্রে। গভর্নমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সগী ফোরেন সেক্রেটরি এম্বেসেদর রঞ্জন মথাইনা ইম্ফাল মন্দলে বস সার্ভিস হৌনবা কন্না হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নুমিৎ নিনিগী কনফরেন্স অসি এম য়ুগী স্কুল ওফ সোসিয়েল সাইন্সকা জাদবপুর এসোসিয়েসন ওফ ইন্টরনেস্নেল রিলেসন্সকা পুল্লগা শিনবনি। থৌরাং অসি মিনিষ্ট্রি ওফ এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী পব্লিক দিপ্লোমেসি দিভিজনগী শেন্থং মখাদা ইন্দিয়ান কাউন্সিল ওফ সোসিয়েল সাইন্স রিছার্স- এন ই আর সি, মাউলানা অবুল কলাম অজাদ ইন্সটিট্যুট ওফ এসিয়ান ষ্টদিজগা খুৎ শম্নরগা পাঙথোকপনি।

ইনোগুরেল সেরেমোনিগী অখন্নবা মীথুং ওইখিবা রঞ্জন মথাইনা ইন্দিয়াগা ম্যানমারগা চহি খরসিদা মরি য়াম্না ফগৎলক্লে। ম্যানমারগী হেদ ওফ ষ্টেটনা ইন্দিয়াদা লাক্লম্লবা মতুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অমুক চত্তুনা মরি ফগৎনবা হোৎনরি।

ম্যান্মারগা ইন্দিয়াগা ইনর্জি, কোওপরেসন, ত্রেদ এন্দ কম্মর্স অমদি মিলিটরি শক্তি য়াওনা লম্বী থোং ফগৎহন্নবা এগ্রিমেন্ট কয়া সহি তৌনদুনা থবক্তা ওম্থোক্লে। ইন্দিয়ানা দিমোক্রেটিক ওইবা লম্বী অমা শেমগৎলকপদা অঙম্বা মতেং ম্যানমার সরকারদা পিরি।

ম্যানমারগা ইন্দিয়াগা মরি হেন্না ফগৎনবা কনেক্তিভিটিদা মীৎয়েং থমদুনা মন্দলে-ইম্ফাল বস সার্ভিস হৌনবা লম্বী অমদি দরকার লৈবা ইনফ্রাষ্ট্রকচর য়াম্না কন্না শেমগৎলি। ম্যানমার সরকারনা অয়াবা পিবগা সার্ভিস হৌরগনি।

রঞ্জন মথাইনা মখাতারদুনা সাউথ ইষ্ট এসিয়াগী অপূনবা লুপ সার্কসতা ইন্দিয়ানা থম্লিবা পান্দম অদুমক্তি ফংবা ঙমদ্রি। অদুবু ইন্দিয়ানা হোৎনফম থোকপা পুম্নমক হোৎনরি। ইন্দিয়াগা য়ুম্লোন্নরিবা লৈবাক খুদিংমক্কী প্রজাগা অফবা মরি থম্বা মথৌ তাই। মখোয়বু নিংথিনা খঙবা মথৌ তাই।

ইন্দিয়াগা নেপালগা লৈরিবা অফবা মরিগী মতাংদা ব্রা ঙাংলদুনা নেপালগী টুরিষ্ট চাদ ৪৫ দি ইন্দিয়াদগীনি। লোয়ননা ইন্দিয়াদা নেপালি লাক্ষ ৫ হেন্না থবক তৌরি। মসিগুম্না বঙ্গলাদেশ, ম্যানমার, শ্রীলঙ্কা অমদি য়ুমলোন্নরিবা লৈবাকশিংগা মরি থম্বা মথৌ তাই হায়খি।

অথোইবা মীথুং ওইখিবা ইদুকেসন মিনিষ্টর এম ওকেন্দ্রোনা মালেম অসি গ্লোবেল ভিলেজ অমনি হায়না খন্নরবা মতমসিদা ঐখোয়গী য়ুম্লোন্নরিবশিং খঙনবা হোৎনবা লোয়ননা মখোয়গা অনৌবা মরি শাগৎপা হায়বসি য়াম্না দরকার ওই।

ইন্দিয়া হায়বসি য়েক্লবা ফাওবা মরুপ ওইনা খন্দোকপা ঙম্বা লোয়ননা চাউখৎপা, থাজনবা হায়বসিদা য়ুম্ফম ওইরগা লৈঙাক্লিবা লৈবাক্লি। ইন্দিয়ানা "সট দোর পোলিসি"গী মহুৎ "ওপন দোর পোলিসি"শিজিন্নদুনা মীনা খায়বা অথিংবশিং লৈহন্দনবা কন্না হোৎনরি হায়খি।

সাউথ ইষ্ট এসিয়াদা মীৎয়েং থম্বা ইন্টরনেস্নেল কনফরেন্স অসিনা ষ্টেট অসিগী ব্রাখল্লোন হেন্না পাকথোক-চাউথোকহন্দুনা হেন্না ফবা মরি থম্বা ঙম্লগনি। মসিগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী লূক ইষ্ট পোলিসিদা অফবা তেংবাং পিরগনি হায়বগী থাজবা ফোঙদোকখি।

অখন্নবা মীথুং ওইখিবা ইন্দষ্ট্রি মিনিষ্টর গোবিন্দাস কোন্থৌজমনা ইন্দিয়া অমদি এসিননা সাউথ-ইষ্ট এসিয়াগী লৈবাকশিংগী কলচরেল অমদি হিষ্টোরিকেল রিলেসনবু ঙাক্লা থম্লক্লি।

ইন্দিয়ানা এসিন লৈবাকশিংদা লল্লোন-ইতিক্কী থবক অসি চহি খরসিদা য়াম্না খুম্মাং চাউশিন্না তৌবা ঙম্লক্লি। কুম ২০০৭-০৮ দা ত্রেদ ভোল্যুম অসি য়ু এস দোল্লর ৩৮.৩৭ বিল্লিয়ন ওইরম্বদগী কুম ২০১০ দা য়ু এস দোল্লর ৫০ বিল্লিয়ন য়ৌবা ঙমখ্রে। মসিনা এসিনগা ইন্দিয়াগা হেন্না মরি ফগৎলি হায়বদু উৎলি।

নুমিৎ নিনি চৎথগদবা ইন্টরনেস্নেল কনফরেন্স অসিদা ভুটান, ম্যানমার, বঙ্গলাদেশ, শ্রীলঙ্ক, মাল্ডিভনচিংবা লৈবাকশিংগী মরি নৈনবগা লোয়ননা হিরমসিদা ব্রা ঙাংনবগীদমক লৈবাকশিংসিগী কোন্সুলেট জেনরেল অমদি এক্সটর্নেল এফিয়ার্সকী মীওইশিং শরুক য়ারি।

## টিম থাদুনা মহারাষ্ট্রা অমসুং ...ংগী ফিবম য়েংশিল্লগনি

দাইরেক্তর রঞ্জন য়ুম্নাম, এম সি এসনা গৌহাটিদা, চান্দেলগী এস পি ই প্রিয়োকুমার আই পি এসনা পুনেদা থানবা কেবিনেটনা ব্রারেপ লৌখি।

হৌজিক ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা ষ্টেট সরকারনা প্রাইম মিনিষ্টর ওফিস অমদি য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্ট্রিগসু ব্রারি শান্নদুনা মনিপুরীশিং ঙাকপি শেনবিনবা তকশিনখ্রে। মহারাষ্ট্রা অমদি কর্নাতকা সরকারগসু পাউ ফাওনদুনা লৈরি। বেঙ্গলোরদা লৈরিবা মনিপুর সরকারগী লেজন ওফিসারগসু সরকারগা খুদক খুদক্কী ওইবা পাউ ফাওনরি হায়না চেরোল অদুনা মখা তারি।

মরক অসিদা অব্রাং নোংপোক লমদমগী মীয়ামদা শোকপা য়াবা ব্রাফমশিং তোকঙা ওইনা শন্দোকপদা চেন্নবা ব্রেবসাইট অমা ফাবা ঙম্লে হায়না মিনিষ্ট্রি ওফ হোম এফিয়াসনা হায়রি। হিরম অসিদা থিগৎনবা পাউতাকসু মিনিষ্ট্রিদগী পিখ্রে। এস এম এস নৎত্রগা এম এম এস অমুক্তা পুন্না থাবা অদুসু খুদক্তগী নুমিৎ ১৫ নিগী ওইনা থিংজিনখ্রে হায়না য়ুনিয়ন হোম সেক্রেটরি আর কে সিংনা হায়রি। অমুক্তা এস এম এস মঙা নৎত্রগা কে বি ২০ দগী হেন্দবা দাটা খক মোবাইল ফোন্দগী থাবা য়াহনখ্রে। দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্মুনিকেসননা হায়রিবা থবক অসি খুদক্তগী চৎনবা হৌনবা হোম মিনিষ্ট্রিনা খঙহনখ্রে হায়রি। পনবা য়াবদি, ব্রাথোক অসি মোবাইল ফোন্দা এস এম এস নৎত্রগা এম এম এস থাদুনা মীয়ামগী ইহৌ শাগৎতুনা হৌবনি।

অমরোমদা বেঙ্গলোরদা লৈবা অব্রাং নোংপোক লমদমগী মীয়াম্না মরু ওইনা বেঙ্গলোর থাদোক্তুনা চৎনবা লেপত্রি।

**মখা লমায় অহুমদা**




## বেঙ্গলোরদা মৈতৈ মচা ফুবা ৩ ফাগৎলে

*বেঙ্গলোর, আগষ্ট ১৭ঃ* কাঙলুপকী ইরাং শাগৎনবগী থৌরাং থৌশিলদা অব্রাং নোংপোক্কী মীওইশিংনি হায়বগীদমক মনিপুরী মচাশিংবু তমথিনা ফুরকখিবা বেঙ্গলোরদা

## মিনিষ্টর মিরাবাই অঙাং লৌবা চংখ্রে

## ইফতার থৌরম